# এডুকেসন মিনিষ্টর ৱেবসাইট মে ৩০দা হাংলগনি
# ইপি ৬০ হাংদুনা মীয়ামদা কেরোসিন মরাং কায়না ফংংহনগনি

-এডুকেসন মিনিষ্টর

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২৭ঃ* মণিপুরদা থা ৬ কী মনুংদা এডুকেসন সেক্টরদা মশক থোকপা অহোংবা অমা পুরক্কনি হায়না মীয়ামদা এডুকেসন মিনিষ্টর শ্রী এম ওকেন্দ্রা থাজবা থমখিবা অদুগী অহানবা খোঙথাং ওইনা থা অসিগী ৩০ দা ''এডুকেসন মিনিষ্টর ৱেবসাইট'' হাংদুনা এডুকেসনগী হিরমদা মীয়ামগী মত লৌবা হৌরগনি হায়না ঙসি হৈরোক হায়স্কুলগী গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবা হৈরোক ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী ২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱেবসাইট অসি হাংদোক্লবা মতুং জুন থাগী ৩০ ফাওবদা এডুকেসনগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা মীয়ামগী মত লৌগনি। মদুগীদমক নোদেল ওফিসার অমা লেংদনা থমদুনা মথৌ তৌহনগনি। মণিপুরগী মীয়াম, অখঙ-অহৈ ওজা কয়ানা এডুকেসনগী লমদা হেন্না ফগৎনবগী ৱাফমশিং তৌহন্নিংদবা অমসুং তৌহন্নিংবা, করম্বা জগাদা শেমদোকহন্নিংবা অসিনচিংবা পাউতাক পীবীয়ু।

ৱেবসাইট অসিগী খুদোংচাদবশিংগীদমক্তা পোষ্ট ওফিসশিংদা এডুকেসন মিনিষ্টর পোষ্ট বোক্স হায়দুনা হাংগনি। মসিদসু অইবা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি।

মীয়ামগী মত অদু খঙলবা মতুং কন্সলটেটিভ কন্মিটি অমা শেমদুনা পুন্নমক্না য়ানগদবা পোলিসি অমা শেমদুনা চৎনবা হোৎনগনি। হান্নগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎনবা পোলিসি মতৌ তঙ্গী মহুৎতা ষ্টেট অসিগী এডুকেসন পোলিসি অসি অতোপ্পনা মতৌ তমহন্নবা হোৎনগনি।

করিগুম্বা অফবা অমা ফংনবগীদমক করিগুম্বা খরা থাদোকপা হায়বসি মথৌ তাই হায়রদুনা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খিবদা, সরকারগী স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবা পুন্নমক্না মাগী মাগী মচা-মশুশিং মা মানা ওজা ওইরিবা স্কুলশিংদা মহৈ তমহন্নবা থৌরাং লৈরে। মহাক মশাগী ওইনসু করিগুম্বা লাইবক ফদুনা মিনিষ্টর মতম শাংনা ওইরবদি মাগী মচাসু মণিপুরদা অদুমক মহৈ তমহনগনি।

সরকারগী স্কুলশিংগী বিল্ডিংশিং শাবদা চপ মান্নবা দিজাইনদা মান্নবা মচুশিং শঙগনি। চহি ৪০ / ৫০ রোম শুরবা স্কুল বিল্ডিংশিং খুদোংথিবা থোরকপা য়াবনা অনৌবা মোদেল ওইনা শানবা থৌরাং লৈরে। মসিগী মথক্তা মহৈরোইশিংদা কম্প্যুটর পীনবগী থৌরাং লৈবনা ওজাশিং মতমগা চুনবা জ্ঞান লৌশিং লৈনবা হেন্না খঙদবা য়াদবগী মতম য়ৌরে। মণিপুরগী এডুকেসন সিষ্টেমদা মণিপুর এডুকেসন সার্ভিস হৌদোকখিবা অসিমক ইতিহাসিক ওইবগা লোয়ননা মহৈ মশিং তন্বদা অওনবা অমা পুরক্লবগী পান্দম ফংবা হৌরগনি হায়খি।

অমরোমদনা মহাক মশামক কঞ্জুমরস এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী মিনিষ্টর অমা ওইনা ষ্টেটসিগী কেন্দ্র ৬০ দা এসকে ওইল এক্সটেন্সন পোইন্ট ৬০ হাংদোক্তুনা মীয়ামদা কেরোসিন মরাং কায়না ফংহন্নবা থৌরাং লৈরে। মেদিয়াগী খুত্থাংদা থা খুদিংগী অহানবা চয়োলদা কেন্দ্র কেন্দ্রগী থাউ পীগদবা নুমিৎ লাওথোক্তুনা সব দিল্লরশিংদা লৌরনবা ওর্দর থোক্কনি। মণিপুরগী ওইনা ফংলিবা কেরোসিন কিলোলিটর ২১১২ অসি চপ চানা প্রজাশিংদা য়ৌহনগনি। পেত্রোল পম্পশিংদা কেরোসিন য়ানা ফাগৎপগী দ্রাইব অসি মখা চত্থিগনি। কন্ট্রোল আইতেম ওইরিবা কেরোসিন লান্না শীজিন্নবা য়ারোই হায়খি।

পনবা য়াবদি ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাংজিং-তেন্থাগী এমএলএ পাউনম ব্রোজেন্না প্রসিদেন্ট ওইখি।